ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

Thursday, December 19, 2024, Imphal



# ‘য়োংগী মচাসিদি-!’

**– এল ইবোমচা –**

মীওইবগা শকওং-শদা হায়ফেৎ মান্নবা য়োং হায়রিবা জীব অসি মপূক্লিং চেত্তে, ঙাইহাক্কী মনুংদা তত্তনা মপূক্লিং হোংই। হোংবা হায়ববু পোৎ অমত্তং চাবদা ফাওবা মপূং ফানা খক চাদে। মরমদি মহাও চপ মান্নবা অচাপোৎ অদু পূক্লিং চেত্তবগী হৌনবা মহাও মান্নরল্লোই খনবদগী মচিৎ-মচিৎ চারগা হুন্দোকখিনি। মতৌ অসুম্না মীওইবা মরক্তা য়োংগুম্না পূক্লিং চেত্তবা মীওই লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা মীওইশিংবু ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা য়োংগী মচাসিদি হায়না চৈ থাংনৈ। তৌবগীদি ইশ্বরনা তাইবঙ মীওইবা অসি শেম্বী-শাবীরকপা মতমদা ৱাখল খন্থবা ঙম্নবা, পূক্লিং ফাথবা ঙম্নবগী চপ চাবা মতিক-ময়াই শুনবা হাপ্পীরকপনা শা-ষণদা থৌরিনা পুনবগুম্না মীওইবগীনা লাইনীং পরৈনা চেৎনা পুনশিল্লি। লৌশিংগী মঙাল ফংদ্রিবা অঙাং-নৱানা নৱা ওইজখ্রবসু লৌশিংগী মঙলান ফংলবা মীওই অমগী মফমদদি মশাদা লাইনীং পরৈনবু পুনখ্রবদি মসিগুম্বা পূক্লিং ৱাখল চেত্তবগী থবকসি য়াম্না লাপ্না ইন্থোক্তুনা থম্নখিবা ঙাক্তনি। অদুবু কনাগুম্বা মীওই খরদি মখোয়গী মপা-মপুশিংগী ঈদা য়াওরকপা ফত্তবা ৱাখল থাদোকপা ঙমদবা, তাইবঙ মপুগী অচুম্বা পাউতাক ইন্দবা য়াওই। তাইবঙ মপুনা য়াদবা কল্লকপা, মীহৌবা, অপাম্বা অহুম অসিনা থম্মোয় খুদুম চনখিদুনা মালেমদা লৈমিন্নরিবা মীওইশিংদা তৌরোইদবা থবক কয়া তৌনরকপদগী তাইবঙপান অসিদা তংদু লৈতানা লৈমিন্নবা ঙমহন্দে। মসি মশা-মশানা থাজনা নীংলিবা তাইবঙ মপু অদুগী ধর্ম্মগী পাউতাকশিং অদু কাঙলোন চুম্না চত্তবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি থোক্লকপনি হায়বা য়াই।

খুদম ওইনা হায়রবদা পুন্দুনা থল্লিবা শা-ষণনা পুল্লিবা থৌরী অদু থদৎলগা নৎত্রগা নাম্থোল্লগা চেনখ্রবদি অকোয়বদা লৈরিবা ইঙ্খোলদা চঙদুনা মনা-মশিং চাথোকখিবা, লৌবুক্তা হৌরিবা ফৌ-গেহু পাম্বী চাথোকখিবা মশানা তাবনি। অসুম্না মীওইবসু মশানা নীংলিবা তাইবঙ মপু অদুগী অচেৎপা পাউতাক অদুবু ঙাক্লা চৎপা ঙমদ্রবদি অকোয়বদা লৈমিন্নরিবা মীওইশিংদা অয়েৎ-অপন পীবা ওইনা হাৎপা-তুপ্পা, য়ুম মৈ থাবনচিংবা তৌহৈদবা থবক কয়া তৌরকপা মশানা তাবনি।

অদুনদি হন্দক কুকিশিংনা মীচম মীতৈশিংদা অতম্নমা লান্দারল্লিবা অসি কল্লকপা, মীহৌবা অমসুং অপাম্বনা হান্না মাঙ থারগা লান্দারকপা ওইবনা মখোয়না চেৎনা নীংলিবা খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মগী বাইবলদা য়াওরিবা পাউতাকশিং অদু ঙাক্লা চত্তবদগী থোক্লকপনি খনবা য়াই। মরম অসিনা মালেমগী খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম চৎপশিংনা হন্দক কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীতৈশিংদা মরম চাদনা লান তাশিল্লীবা অসি শৌগৎফম থোক্তে। মসিমক্তি কুকিশিংসি খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম অসি মপুকচেল শেংনা নীংদে অমসুং বাইবলগী পাউতাক ইন্দে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্নি। মখোয়নসু প্রভু যীশু খৃষ্টকী অশেংবা মনাইমক্তবু ওইরল্লবদি মে ৩, ২০২৩, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী য়াচংবদগী মরম চাদনা লান তাশিল্লক্লিবা অসি তৌরল্লোই। লাই নীংবা হায়বসিদি অপাম্বা, মীহৌবা অমদি কল্লকপা অহুম অসি থাদোকপা অদুবুনি। অচুম্বা খক লৌগদবনি হায়বসি খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম চৎলিবা কুকিশিংনা করিগী খঙদবনো হংনীংই। মরম অসিনা কুকিশিং অসি খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মদি চৎলগা বাইবলগী পাউতাক্তি ইন্দবা অমরোমদা খল্লগা থৌরী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা শা-ষণগুম্বনি। মঙক্কী থৌরী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা শা-ষণনা মথোং হুক্তবা থবকশিং তৌবগুম কুকিশিংসু চপ মান্ননা তৌরকখিবনি। মসিদা খেন্নরিবা হায়ববু অমনা অশেংবা শান্তি, অমনা শাগী লমচৎ-শাজৎ চৎপা তাইবঙ মীওইবনি। মীওইবনা অফ-ফত্ত থবক তৌবা অমদি তৌদবগী ইথিল পীবসি তাইবঙ মপু থাজবা-থাজদবগী মখা য়াম্না পোল্লি। ঙসি কুকিশিংনা কল্লকপা, মীহৌবা, অপাম্বনা হান্না মাঙ থারগা মীচম মীতৈশিংদা লান্দারল্লিবসি বাইবলদা য়াওবা পাউতাক্কী ৱাংমদনি। কুকিশিংনা অশেংবা খৃষ্টিয়ান ওইরল্লবদি অসুক য়াম্না চাওখৎতবা মখলগী লান অসি খক তৌরল্লোই।

মালেমগী মীশিং য়াল্লবা মীয়াম্না নীংলিবা খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মবু নীংলিবা মণিপুরগী কুকিশিংনি। নোংমাইজিং খুদিং শেগাদা বাইবল অমমম য়েপ্লগা চর্চশিংদা লাইনীংবা চৎলিবনি। তোল্লবদা ঙাকপীবা ওম্বা, চঙজরল্লবদা কনবীবা ঙম্বা জগৎকী মপুনি শোন্নরিবা যীশু খৃষ্টপু থৱায় হকচাং, পূক্লিং চঙনা নীংলিবা মণিপুরগী কুকিশিংনি। অসিগুম্বা মালেমগী মীয়াম হুপ্না নীংলিবা যীশু খৃষ্টপু নীংলিবা কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা, অশোক-অপন নংহনবা অমসুং ময়ূম-মকৈশিং মৈনা তুম্নবা থাদোকপা অসিবু প্রভু যীশুনা পেল্লমগদ্রা? মীগী তৌবীমল মশক খঙদবা মহা পাপীশিং ঙাক্তনি শোয়দনা হায়রমগনি।

অরানবা থবক তৌবা, মীপাই-থবাই, নুংনাংবা পোকহনবা, শিনীংবা পোকহনবা, খোইরাং-খোইশাওনবা পোকহনবা, লৈবাক কায়নবা হোৎনবা অসিবু যীশু খৃষ্টনা য়াগদ্রা, যীশু খৃষ্টনা চানবীগদবা মান্দে, তৌরু-তৌরুবদা মায় পাক্কদবা মান্দে, যীশু খৃষ্টনা য়ারক্লোই। লৈবাক্কী আইন মৱা লৌদে, খুলগী নিংথৌনা অসুপ্পা ওইগদবনি, ঐখোয়গী শেম্থোক লম্বীদি চীংদা পোপি থাবনা ওইবনা কনা অমত্তনা পোপি পাম্বী থাবদা অয়েৎ-অপন পীরকপা য়ারোই হায়বা ৱাসিবু হৌনব্রা? মসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবক কয়া অসি তৌরুবগী ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশ লৈবাক্তগী তাম্থোরকপনি নীংশিংদে। চিতাগোং হিল ত্রেক্তা পোপি পাম্বী থারুবদগী ম্যান্মার লান্মীনা অকনবা মওংদা খূৎ থারকখিবগী পাউ তাখিবা লৈ। অদুগা অমনা খুলগী নিংথৌনা লমগী মপু ওইগে হায়রুবদগী ম্যান্মার বুধিষ্টশিংনা নোংমৈ, থাঙ-তেন, উতুপ পায়দুনা তাল্লকপদগী মণিপুরদা চঙলকখিবগী ৱারী তাখিবসু লৈ।

কুকিশিংনা শাথীবগী চাংসি কয়ামুক য়াম্না শাথীবগে হায়রবদা মখোয়গী লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈরবা, ৱাখল তারবা মীওইশিং ঙাক্তনা শেম্বা ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই টি এল এফ) না পোপি ফ্লৱর সেল অমা চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকই। মতাং অসিদা কুকিশিংদা হংনীংলিবদি মালেমগী করম্বা মফমদা পোপি লৈকোল শেম্বা থেংনখ্রবগে, লোয়নবা পোপি পাম্বীদগী থোক্লকপা অমাঙবা খঙদব্রা? ইন্দিয়াগী অইননা য়াদে খঙদব্রা? ইন্দিয়াদা নার্কোটিক্স এন্দ সাইকোত্রোপিক এক্ট, ১৯৮৫ হায়বা অমা ইন্দিয়াগী মফমশিন থুংনা চৎনৈ খঙদব্রা? হায়বসিনি। তৌবদি পোপি থাবসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ নার্কোটিক্সনা পীবা লাইসেন্স পায়রবদি থাবা য়াই। মদুসু মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমদি উত্তর প্রদেশ খক্তদা থাবা য়াহনবনি। মরম অসিনা কুকিশিংনা মখোয়গী ইনখৎলক্লিবা মচা-মশুশিংবু পোপিদগী শুংবা হিরোইন নম্বর ফোর, দল্লিয়ু ৱাই, মোর্ফিন অমদি কানিনা তুরা তুবমখৈ মাঙদুনা লৈবদা য়েংদুনা লৈবা ঙমগদবা মীওই ঙাক্তনি। মচা-মশু ফাওবা নুংশিবা খঙদবা অদুননি হন্দক মণিপুরগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী জকুরাধোরদা লান্দাদুনা তাইবঙগী অৱা-নুংঙাই মশক খঙজদ্রিবা থা ৮গী অঙাং য়াওনা অঙাং অহুম, নুপী অহুম পুন্না মীওই তরুক ফাদুনা পুবিখ্রগা বরাক তুরেল ঈচেলগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা অদুনি।

অসুম্না খূৎলায় পায়বা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা অতম্নমা পান্দম অমদা লান্দারক্লিবা অসিবু ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নেশনল মীদিয়া চেনেল অমদা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি টেররিজম নৎত্রগা লাইনীং-লাইশোনগী থৌওংনা থোকহনবা নত্তে, ফূরুপ অনীগী মরক্তা থোকপা ঈরাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

অদুনদি ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহসি ঙরাংনা অমা হায়, ঙসিনা অমা হায়, ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী থোকঅ-থোকঅ পংঙাঙদা ঙাঙবা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা ‘য়োংগী মচাসিদি-!’ হায়না চৈ থাংলম্বা মীওই অদুমক্লি হায়বা য়ারে। ●

# সেন্টরগী প্রেসরদা চীন্থীবা ওনখ্রবা লুচিংবশিং

**- বি সী খুমন -**

মণিপুরগী মীয়াম্না মরু ওইনা মীতৈ/মৈতৈশিংনা শৃৎ নান্না খঙনরবা মথোঙ হুক্তবা কুকি লানসিগী মরমদা মতম অমা ইকায়খুম্নখ্রবা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা তম্বীবা মরোলদমক ঙাঙবা হৈবা তেনৱা, মোইনাগুম মমাঙদা অমা হায়, খরা লৈরগা অমমুক হায়, হৌজিক্লা অমুক অদুনি-অদানি পংঙাঙদা ঙাঙলিবসি মোদি য়াননবা হোৎনবদা মশাগী ঈজৎ য়োম্থোকপা নৎত্রা? কনানা অমিট শাহবু ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টিরনি হায়দুনা ইকায়খুম্নবীগনি। পোলিটিসিয়নশিংগী অরেপ্পা ফিরেপ লৈতে। অরেপ্পা পার্টি লৈতে হায়বদুমক্লি। অঙাংনি, মীচমনি হায়দুনা মচিন থীবগী ৱারক-ৱাতেম্বসু য়াদবগুম পাক চাউখ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর অমনা অঙাও-লায়চুরবা প্রাইম মিনিষ্টর অমগী য়াথং ইন্দুনা থা ১৯ হেন্না লাননা মথোং খঙদনা কাং-খোং চাইরিবা ষ্টেট অমগী ৱাখল শুকখন খন্দবসিদি য়েক্লবা মশীং হেনগৎহনবা ওইনা থোক্কনি হায়বসি হোম মিনিষ্টরনা খঙগদবনি। মীওইবদি তিঙ শোকহল্লবদি অফ-ফত্ত খন্থদনা খূৎ হেক্তা থানীংবনি, লমন খুম্নিংবনি। ঙসি-ঙসিগী মণিপুরী মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট শোক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ওইজবা থিবগী প্রোক্সি ৱার চথদুনা কুকিশিংবু হ্যুমেন সিল্ড ওইহন্দুনা মীতৈ তুম্না হাৎকে থৌরাংলিবসিগী তেকচাক নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পুরকখিনি। অতুম্বা মৈগী চীং খঙহৌদনা পোকখায়রকপগুম, ওমদুনা লৈরম্বা ৱামৈদা থাও হৈজিল্লবদি শোয়দনা মৈজাও ওইরক্কনি হায়বা হোম মিনিষ্টর, প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙদ্রিবা করিগীনো? প্রেসরনা লৈবাক ঙাক্কদবা নত্তে। মীয়ামগা পুল্লগা লৈঙাকমিন্নগদবনি। ইশানা ইশাবু লাই ওইহনগে খল্লিবা ৱাখলদুনা ইশাগী মোংফম থিবা ওইনা থোক্কনি। চানীংই হায়দুনসু খূৎ অনী চঙনা হুকপা য়াদবনি।

হন্দক্কী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী হাক্তক্তা লৈঙাক্লা ইকায়খুম্নখ্রবা সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী মিনিষ্টর কয়া, মকোক থোংবা সিক্যুরিটিগী ওফিসর কয়া, মশানা য়ানীংদা-য়ানীংদা চীন থীবা হৌরল্লিবসি অফব্বগী খুদম নত্তে। থোইনা হেন্না নুংঙাইতবনা লমদমসিগী চীফ মিনিষ্টরসু মশানা য়ানীংদা-য়ানীংদা সেন্টরগী প্রেসরনা চীন্থীবা লুচিংবা ওনখিবসি মণিপুরগী মরাইবক্কনি হায়বা য়ারোই। লুচিংবা অমা ওইরবদি ইশাগী ফিরেপ মশক খঙনা লৈঙাক্কদবনি। প্রেসর অমত্তনা ইশাগী ফিরেপ্তা অহোংবা নাইহল্লোইদবনি। ফিদম্নফম ওইখিবশিংদি মশাগী অনীংবদা কৈদৌনুং মন্তিক্লখিদে। ফমদি অরায়বনি, ইশাগী ঈজৎনা মীয়াম্বু খোনগদবনি, মীয়ামগী মীহুৎনি কৈদৌনুংদা কাউরোইদবনি। নীংতম্না পোল্লকপনি, খূৎশেম্না মীখা পোলহনবদি অয়ম্বশিংগী মচৎনি। নীরগতা হিংগনি খনবা মানবা থৌওং তোইমনখিবনা নচা-ননাওশিংনা ৱারৌরকপদা শাওরুফম থোক্তে। পীরক্কদবা পুকচেল চাউবশিংনসু করিনো নীবা হেনমনখ্রে হায়হন্দনবা খরা-খরসু ইকায়বা খঙশিন্নৌ। চাওখৎলবা ইন্টরনেটকী ইরাসিদা ইন্টরনেটতা পোলিটিক্স তৌগনু। কর্ফিয়ু তোয়মনবনা কর্ফিয়ুগী ময়াই হন্থখ্রিবসি লান্না শীজিন্নবা তোয়মনখিবননি।

স্কুল-কোলেজ ছুটি তোয়মল্লবসু জেনরেশন গেপ লৈনবা মরম ওইরক্কনি। খুদিংমক ইশাগী খোঙদা শীংজংনা য়ানশিঙ্গবনি।মাঙগদবদি নরমদমগী মীয়াম্নি। জগোয় হৈত্রগা শুমাংদা তাইনগদবা নত্তে। মীনা শেম্বা চৎনবীনি অদুবু মীনা থুগাইবদি চৎনবীবু ইকায়বা পীবনি। মীয়াম্না ইকায়খুম্নরিবা কন্সটিট্যুশনগী চৎন-কাঙলোন্দা খাবৈ-খারা শাগে খনবা অফব্বা নত্তে। লৈবাক মীয়াম পূম্নমক লৈঙাকপশিংগী পার্টিগী মেম্বর নত্তে। ওপোজিশনগী মীয়াম্বুসু ইকায়খুম্নগদবনি। নপাল ফরি হায়দুনা য়েক্লবা তুম্না লোইশিনগে খল্লিবা ৱাখল, মী অপীকপগী ৱাখলনি। স্পেস এজনি হায়নরবা মতমসিদা মথায়-থায়নগী দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি থাদোকপা ঙমদ্রবদি কৈদৌনুংদা লৈবাক অদু তংদু লৈতারোই।

হৌজিক-হৌজিক ফোঙ-ফোঙ শারিবা লান অসিগী মরম, মতম-মতমগী ওইবা মরম কয়ামরুম ফোঙদোকখ্রবা তুংদা ইনৌ-নৌনা কাঙলূপ মশেলগী লান অমুক ওইহল্লে। কাঙলূপকী লান ওইরদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিগী ফেবরদা করিগী লৈফম থোকই। নাকল অনীগী পেন্দবা খোল্লাও মরক্তা কুকিশিংনা নোংমতা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীতৈগী মীচং চঙই হায়বা য়াওব্রা? মীতৈশিংনদি ইফোং-ফোংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিশিংগী মীচং চঙই হায়না খুদম-চাংদমগা লোয়ননা লাউ খোংদুনতা লাকখিবনি। তাশিন্নদবগী ৱানি। অরোনবা এজেন্দা শাগোন্নবা প্রোক্সি ৱারনি হায়ববুদি মণিপুরীশিংগী ৱাখলনা লাম্বা ফংখ্রে। করিগী অদুগুম্বা এজেন্দাদা মীতৈশিংবু বলিগী হামেং ওইহল্লিবনো হায়বসিগী অশেঙবা পাউখুমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোৎশিন্দুনা থম্ফম থোক্তে। লমদমসি কনাগীসু মীখা পোন্দবা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরমখি হায়বসি ঙরাং নহানগী ৱাফম নত্তে, পুৱারীগী লমায়দা য়াওখ্রবনি। কমদৌনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনখি হায়বগী থম্মোয় কায়রবা ৱারী কয়াসু পুৱারীদা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। পূম্নমক্কী ৱাফমসিদা মণিপুরনা হান্নগী ষ্টেটসতা হঞ্জিঙ্গরগে হায়না দিমান্দ তৌবা য়াবগী রাইটস চপ চানা লৈ হায়বসু খঙই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মদুমক থোক্লবা শিল্লক্লিবরা হায়বগী ৱাহং অমা ওইরিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অতম্নমা হংহল্লিবরা?

কুকিলেন্দগী মঙলান্দা ইন্দিয়াসু য়াওন্নখ্রবরা? মথংদনা কনাগী? মথংদনা মৈতৈ/মীতৈশিং? মথং-মথং অপীকপা লৈবাক ময়াম পোকথোকহল্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সুপ্রিম পৱার শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াসি মচেৎ-মচেৎ তাহল্লগে হায়বগী ৱাখল্লোন খল্লবরা? অপীকপা ইমুং-নুংঙাই য়াইফবা ইমুংনি হায়রম্বদু অঙাওবা তানখ্রবা মতমসিদা অপীকপা লৈবাক মচা ময়াম পোকথোকহনবসু ইন্দিয়াগী অপাম্বা ওইরল্লোই। মচাগী নিঙাইদা খাঙবা ঙমদদুনা মাগী-মাগী লৌ-ইঙ্খোল শরুক তম্বীখ্রগা ঈংনা-চিক্লা লৈরগে খনবা মমা-মপাদুদি ইন্দিয়াগী অপাম্বসু ওইদ্রি। অদুবু করিগুম্বদা খঞ্জানরল্লব্রা হায়বগী মথিদি ফোংলল্লি। তশেংনা ইন্দিয়া লৈঙাকসি য়াল্লবা ষ্টেটশিংসিগী নিঙাইদা খাঙফম খঙদনা মথা শারবনি হায়বসি য়াম্না কুইরক্লে।

ৱাখলগী ইথিল তেমশিংনবা কনাগী মতিক লৈগনি। কুকিশিংসু ‘কুকিলেন্দ’ গী মঙ মঙলিবসি মখোয়-মখোয়গী ৱাখলগী ইথিলনি। ইন্দিয়াসু কলাদান প্রোজেক্টকী মঙলান্দা কনা হন্না উদমখৈ মঙ মঙলি। মরকসিদা মীতৈশিং বোকক্কী চাকথাক ওইরি। অদুবু তপ্পা-তপ্পা অচুম্বা চৎপশিংনা মায় পাক্কনি। মীতৈনা কনাদসু অরানবা তৌখিদ্রি। চথরিবা লানসিদসু ঙাকথোকচবা নত্তনা নোংমতা কুকিশিংদা কাউন্টর এটেক তৌদ্রি। কুকিশিংগী মখল-মখাগী লাল্লোংশিং মীতৈশিংনা ঙাকথোক্তুনতা লাক্লি। পূম্নমকসি কুকি মরক্তসু খঙনরবনি। শুপ্পগী শকউদবা ফোর্স অমনা লানগী মৈচ্রাং হেনগৎনবা কন্না হোৎনবসু য়াওরিবনি। খরদি ৱাখিনি অদুবু মীতৈশিংনা খঙহৌদনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎখ্রবদি - কুকিদি লায়রদনা য়েক্লবা পূম্বা লম্বানবদা য়েক্লবতনি মমায় লৈদুনা চেনখিগদবা। মীতৈ মচা অমা ওইনা মীতৈগী থৌনা উথোক্তনা লোৎশিন্দুনা থমগদবা নত্তে। য়েক্লবা মশক খঙনা অপূনবগী থৌনাতনা য়েক্লবা মায়থীবা পীগদবনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪ গী ৱাহং

১) **“শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ থৌরম শৈরেং”** (নট ঈশৈ), অহানবা শরুক - হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **“নেটৱার্ক ফংদবা”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) **“লাহোর উদ্রবা মখোয়দি মীওইপোক নৎত্রবগুম্বনি”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্নি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনাননো?

৪) **“ঙমখৈদদি থৱায়শিংনা**
**অঙাঙবা লৈ ওইনা শাৎলি**
**হেকই অঙাংশিংনা নীংতম্বা নুমিৎতা...।।”**
শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো?

৫) **“হৌরকফম”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**ষ্টেটকী পাউ**

# য়ু সী এম চরাংপাৎ য়ুনিট হাঙদোক্তুনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎ মমাং মৈস্নাম কাংজৈবুং কম্যুনিটি হোলদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ রোম তবদা য়ুনাইটৈদ কম্মিটিমণিপুর (য়ুসী এম)গী প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেন, বেঙ্গি অপুনবা মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট চোংথাম মেমতোন অমসুং চরাংপাৎ রুমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইনাম মাধবিনা থৌরম মপুশিং ওইদুনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ু সী এম চরাংপাৎ য়ুনিট হাংদোকখ্রে হায়না য়ু সী এমগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেসন (আই পি আর) সোইবম অনিলনা থাদোরকপা চেরোলদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি হাংদোকখিবা য়ু সী এম চরাংপাৎ য়ুনিটকী নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি চরাংপাৎতগী সাইরেম মংলেম্বা চ্যেরমেন, লাংমৈথেৎতগী নহাকপম দিজেননা ভাইস চ্যেরমেন, লাংমৈথেৎতগী মোংরাংথেম মাইপাকনা জেনরেল সেক্রেটরি, ইচম খুনৌদগী কৈশাম কুমারজিৎনা সেক্রেটরি ওর্গনাইজেশন, থোমচোমদগী হাওবম সদানন্দনা সেক্রেটরি ফাইনান্স, বেঙ্গিদগী কৈশাম য়ুনিভর্সনা সেক্রেটরি ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন (আই পি আর), ইচম খুনৌদগী থোকচোক মনাওবীনা সেক্রেটরি রুমেন্স এফ্যেরস, চরাংপাৎতগী শমজেৎশাবম রঞ্জোয়না সেক্রেটরি একাউন্ট, চরাংপাৎতগী ওইনাম ওংবী চাওবনা সেক্রেটরি কম্যুনিটি এফ্যেরস, চরাংপাৎতগী ওইনাম হরিদাসনা সেক্রেটরি য়ুথ এফ্যেরস ওইনা খনখি।

চরাংপাৎতগী কাঙবম ওংবী মলয়া, হিদাম ওংবী বারুনি অমসুং হৈস্নাম ওংবী ইচলনা ইগজিক্যুটিব মেম্বর ওইনা খনখিবগা লোয়ননা নৌনা হাংদোকখিবা য়ুনিট অসিগী এদভাইজরনা বেঙ্গিদগী চোংথাম ওংবী মেমতোন অমসুং থোকচোমদগী ক্ষেত্রিময়ুম ফজনা ওইখি।

চরাংপাৎ য়ুনিট হাঙদোকপগী থৌরমসিদা য়ু সী এমগী সেক্রেটরি ওর্গাইজেশন দিপঞ্জিৎ নিংথৌজম, সেক্রেটরি রিসোর্চ মোবিলাইজেশন হুইদ্রোম নোরেন মৈতৈ, সেক্রেটরি দোক্যুমেন্টেশন এন্দ রিসার্চ এনালাইসিস নহাকপম প্রভাবতি, সেক্রেটরি দিষ্ট্রিক্ট এফ্যেরস মৈস্নাম ওংবী মংলেম্বী অমসুং এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি আই পি আর এস ঐচ অঙৌতোনসু শরুক য়াখি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেননা হায়, হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ইরাং অসি লোয়শিন্দুনা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা ওইহনগে হায়রবদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী নাখৈ শেংবা থৌদাং অমদি ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী পংহায়দা হায়বা, ৱারোইশিন লৈতবা, থবক খুৎতৌনা ইরাং অসিদগী ইং তপ্পা, তংদু লৈতাবা হঞ্জিনবা হায়বদু কৈদৌঙৈ ওইথোক্কনি হায়বা ঙমহন্দ্রে।

ইন্দিয়াগী থৌশিল অসিনা পোক্সি ৱার অমা চথরগা মণিপুর থুগায়দুনা তোঙান তোঙানবা ফরুপ, কাংলুপকী এথনিক আইদেন্টিটি কয়া শাগৎনবা হোৎনবা থৌওং ওইরি। সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা করি হায়রি, করি তৌরি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। মতম কুইর কুইরগা লান অসি লোয়শিনবগী মহুত্তা ঐখোয় মশেল ওনশিন্নবগী ফীভম অমা লাক্লবগী পোলিসিদা চংশিল্লক্লি। অসিগুম্বা দিভাইদ এন্দ দিষ্ট্রোইদ পোলিসি অসিসু কুপ্পা খঙমীন্নদুনা থবক তৌমীন্নবা মথৌ তাই।

ঐখোয় মশেল খাইবুং খাইবুং তারিমখৈ ঐখোয়গী পন্থুংফম অসুম অসুম লাপথোকখিগনি। ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তম থুগায়বা, ঐখোয় মশেল নুংশিনদনবা হোৎনরকপা, মীওৎ মীনৈ চথরকপা, অকি অখং পোকহল্লকপা, নুপী অঙাংগী ঈকাইখুম্নবা তেমশিংনরকপশিংগী ময়োক্তা ঐখোয়না পুন্না লেপমীন্নবা হায়বসি ঐখোয়গী তঙায়ফদবা ইথৌদাংনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লুপকী থৌমীশিংনা লুপকী চৎন-কাঙলোন অমদি মীয়ামগী অপাম্বা কয়াবু পূক্লিং ইহুল খঙনা থৌদাং পাংমীন্নসি। লুপলোয়শিংনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মাঙজিল থানা থবক তৌসি হায়খি।

# মণিপুরগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** ন্যু দেল্লিগী গোদাবরি ওদিটোরিয়মদা থা অসিগী ১৫দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা বহুজনা সাহিত্য একাদেমী (বি এস এ) গী নেসনল কনফরেন্সতা বি এস এ মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ডা. ফাঞ্জৌবম লানজিৎনা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌনা কুকি -জো টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদগী থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা পাউদমখ্রে হায়না বি এস এ মণিপুরগী পব্লিসিটি ওফিসর টি ঐচ রোমেনগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, বি এস এগী কনফরেন্স অদুদা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট ২৮ গী অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা লৈবা লৈবাক ৮গী মীহুৎ ১০০০ রোম্না শরুক য়াখিবা কনফরেন্স অদুদা ডা. ফাঞ্জৌবম লানজিৎনা মালেমদা ইন্দিয়াবু মশক তাক্লিবা মণিপুরদা লান্দাদুনা খুদুম চনশিন্দুনা থল্লক্লিবসি থা ১৮ হেল্লক্লবা ফাওবদা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী অৱাবশিং করিসু খঙবীদনা লৈরিবা অসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। অথুবা মতমদা সেন্টর লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা তুং কোয়না চৎনবা য়াবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদুনা লমদম অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

# মহৈরোয় ৩দা চহীগী স্কোলর্শিপ পীরগনি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** কোইরেঙ্গৈদা লৈবা মণিপুর পব্লিক স্কুলদা ক্লাস আইট অমসুং নাইন তল্লিবা মহৈরোয় অহুমদা চহীগী স্কোলর্শিপ পীরগনি হায়না মাওলকেকি ফাউন্দেশন অমসুং মণিপুর পব্লিক স্কুলনা ফোঙদোরকখ্রে।

মাওলকেকি ফাউন্দেশনগী হেদ ওফ প্রোজেক্টস নিরুপা সঞ্জেনবমনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিং অদুদা পীগদৌরিবা স্কোলর্শিপ অসি ফাউন্দেশন অসিগী ট্রষ্টি ডা. সচি গুরুময়ুমনা স্কুল অসিগী এলুম্নাই ওইরিবা প্রিয়াদর্শিনি কোইজম, ঙাইরাংবম সরতচন্দ্র অমসুং ডা. থোইহেন হৈস্নামগা লোয়ননা অতোপ্পা এলম্নিশিংগা শেল খায়জিন্নরগা পীগদবনি হায়খি।

স্কুল অসি মণিপুর পব্লিক স্কুল সোসাইটিগী মখাদা কুমজা ১৯৮৯দা লিংখৎখিবনি অমসুং সোসাইটি অসি সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৮৬০গী মখাদা ওটোনোমস বোদি অমা ওইনা রেজিষ্টার তৌখিবনি হায়রি।

স্কুল অসি মতম অমদা শীংথানিংঙাই ওইরম্বা মহৈশঙ অমা ওইরম্বতা নত্তনা স্কুল অসিনা অফবা মহৈরোয় কয়াসু পুথোকখ্রে হায়রি। হৌখিবা চহী খরদগী মহৈশঙ অসিগী শেল থুমগী ফীভম ফৎশিল্লক্তবা অমদি শেমগৎ শাগৎপদা শোথরম্বা কয়া লৈখিবসিনা ঙসিদি স্কুল অসি মতম অমদা শীংথানিংঙাই ওইরম্বা স্কুল অমনি হায়বদু কাওনখ্রে।

মহৈশঙ অসিবু অমুক হন্না কন্দুনা অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবগী পান্দমদা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক পার্ফোমেন্স, এসেইবগী মগুন অমসুং মহৈরোশিং অসিগী পার্সনেল ইন্টরভিয়ুগী পার্ফোমেন্স য়েংলগা খনগৎলবা মহৈরোয়শিংদা স্কোলর্শিপ পীনবগী থৌরাং অসি চথরকপনি হায়রি।

মহৈরোয়শিংগী সেলেক্সন প্রোসেস মথং চহীগী অঙনবদা লোয়শিন্দুনা থেংলবদা মথং চহীগী জুলাই ফাওবদা খনগৎলবা মহৈরোয়শিংদা স্কোলর্শিপ পীনবা পান্দম থল্লি হায়খি।

স্কোলর্শিপ অসি স্কুল অসিগী হৌজিক হৌজিক প্রিন্সিপাল ওইরিবা আর কে ইমোচা, হান্নগী প্রিন্সিপাল সগোলশেম প্রেমাবতি, স্কুল অসিগী ওজা ধনমঞ্জুরি সগোলশেম, ফাউন্দেসন অসিগী হেদ ওফ প্রোজেক্টস নিরুপা সঞ্জেনবম অমসুং মাওলকেকি ফাউন্দেসনগী ট্রষ্টি ডা. সচি গুরুময়ুমনা কুপ্পা খন্ন নৈনরবা মতুংদা মহৈরোয়শিংদা স্কোলর্শিপশিং অসি পীগনি হায়রি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।